# কছারগী লক্ষিমপুরদা ইম্ফাল চংলক্কদবা টাটা ২ বোম্মা থুগায়খ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, এপ্রিল*** ২৭ঃ ঙরাং অমসুং ঙসিগী লোন্নবা অহিং নোংয়াই মতুং পুং ২ রোম তাবদা অদুৱাইদা মশক খঙদবা মীওই খরনা অসামলোমদগী ইম্ফাল তম্না সিমেন্ট অমসুং এক্তিভা গাড়ী মচা ১২ রোম পুদুনা লাকপা টাটা ত্রকঅনি এনএসসিএন (আইএম)নি চিংনবশিংনা বোম প্লান্ট অদুনা থুগায়খ্রে।

অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টকী লক্ষিমপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা নেসনেল হায়ৱে ৫৩গী ফুলেরতোল মনাক্তা হান্না ওইল পম্প ওইনা লৈরম্বা অমগী মপা ওইরপ্লা লম্বী অনৌবগী শরুক্তা টাটা গাড়ী এমএন ০১-৮২৮৩ অমসুং এমএন ০১-৭৫০৪ অনিদু খামদুনা লৈরিঙৈদা বোম প্লান্ট তৌদুনা থুগায়রমখিবনি।

টাটা গাড়ী অদু বোম্মা অমুক্তদা চপ মান্নবা মতমদা পোকখায়হনখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা মনাক নকপা খুঙ্গাশিংনা লক্ষিমপুর পুলিস অমদি ফায়র সার্ভিসশিংদা পাউ পীরবসু মতম চানা লাকখিদে। বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা টাটা গাড়ী অদু লৌবা য়াদনা অমাং অতা থোকখি। লোয়ননা গাড়ীশিং অদু ঙসি অয়ুক অঙনবা ফাওবা মৈ চাকখি। কনানা করিগীদমক্তা বোম প্লান্ট তৌদুনা টাটা অনি অদু অমাং অতা থোকহনখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবা খঙবা লৈত্রি। লক্ষিমপুর পুলিস ষ্টেসনদা চৎতুনা পাউ লৌনবা হোৎনবদা পাউমীশিং উন্নবা ফংহল্লকখিদে হায়রি।

নীংশিংবা য়াবদি নুমিৎ খরনিগী মমাংদা গ্যাস পুবা টাটা গাড়ী অমা পোকখায়হনখিবগী থৌদোক লৈখ্রে। মনাক মীয়াম্না ফোঙদোরকখিবদা থৌদোক অদু এনএসসিএন (আইএম) চিংনৈ হায়রি।